# মণিপুরগী লাইনীং লীচত্তা হিয়াংথাং লাইরেম্মগী মফম

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মতম অমদা মেরা থা মনুংদা পাঙথোকপা থৌরমশিংগী মনুংদা মেরা পানখৎলকপদা নুমিৎ ৫ নি চূপ্পা দুর্গা লাইরেম্বীবু ঈরাৎপা অমসুং মেরাগী থানিনদগী হৌরগা হিয়াঙ্গে থানিন ফাওবা পাঙথোকপা মেরা ৱায়ুংবা থৌরম অনীসি পনবা য়াই। দুর্গা পুজ াগী থৌরম পাক্তক্লনা পাঙথোকপদু ঙরাংখক্তমক ওইরিবোই নীংই। লৈকায়-লৈকায়, খুন-খুন, য়ূম পরেং-পরেংগী ওইনা নহা অহল খায়দবীদা লাৎনরম্বনি। খুল্লক-লৈরক, লৈরক-কোন্সাং পূল্লাঙনি। স্কুল-কোলেজশিংসু নুমিৎ মঙানি চূপ্পা ছুটি থানরম্মী। লৈবাক খুন্নাইগী করি করম্বা কান্ন-ওইজবা ফংননবা লাইরেম্বী মাবু লাৎলিবনে হায়বদুমদি সুংখঙ খঙখিদে। খঙখিবা হায়ববু ঈরাং হেক লাঙখৈ মীসু তৌনৈ হায়দুনা ঐখোয় মী মঙা/তরা মখায়-শিকি থাংগৎনরগা কনাগুম্বগী শঙ্গোয়দা লাৎলি। উগী দ্রোন্দা অঙাংবা-অশংবা মখল মথেন মচু-মচুগী চেনা নপশিল্লগা মনুংদা মখুৎ তরা পানবী দুর্গানা হিংচাবা হাৎপা চেগী লাই থেৎলগা লাৎপনি। লফু, খৈাগোক্লচিংবগী মসা থেৎলগা শেম্বা পিক্তকপা লাইশঙ অমনি হায়বসু য়াই, মদুগী মনুংদা থম্মী। লাইমাংদুদা লফোই, য়ুবীনচিংবা হৈ-রা থেন্দুনা কৎলি। ঈরুজদবা মীনা হায়রিবশিং অসি শোক্লবদি লাই মাংলে হায়দুনা তাইরেন মসা ঈশিংদা লুপ্লগা চাইথোকই। মীগী ইঙ্খোন্দা পানবা অৱাথবী, পুংদোন্নচিংবা মপুদগী নিজরুবা নৎত্রগা মপু লৈত্রিঙৈদা তুমিন্না হেক্লুবশিংদু নুংতিগী অয়ুক অমুসং নুমিদাংৱাইরমদা কৎলগা ময়াম চামিন্নৈ। দুর্গা পুজা লিংবা মফমদা পুল্লপ লেক চাদুনা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা লৈবা, নুমিদাংদা কনাগী ইঙ্খোন্দা করি হৌরি, পাল্লিবগে হায়না কোয়চৎ চৎপদু অচুম্বা নত্তে হায়বসি কোন্নথংদা খঙলকপনি।

মরিনি চনবা নুমিত্তা ঙাক্রা বলি ককপদো (শরেন চনবা)। ঙাক্রা লৈতবা কাঙবুনা ঙাগিচৌ অনী অহুম ককপসু য়াওই। ঈ অদু লাইবক্তা নম্বীরদুনা, মরমদি খঙপোৎ নত্তে। কনাগুম্বদি সেবোৎ নৎত্রগা তোর্বোৎ ওইনা পুরকপদা মথক থোংবা অশীন-অরাঙ তৌবা কাঙবুনা য়ারোই হায়না চৈবীবদগী ৱা থোক্লবসু য়াওই। লাইনীং লীচৎ হায়বসিসু তরাই-তরাই খল্লুবা য়াবা নত্তে, মরম চাবা চাদবা থিনবৈ ৱা লৈতে। ঙসিদি পুন্নমক্তু মমি শামজিল্লক্লে। মেরাগী নিপান্নি পানবা হায়বদি দুর্গা পুজা মনুং হুম্নি চনবা নুমিত্তা হিংয়াংথাং বর খুরুম্বা চৎনৈ। হিংয়াংথাংদা লৈরিবা লাইরেম্বী অসি ঐখোয়গী ইপা ইপুগী ওইবা লাইরেম্মনি হায়বসি খঙখিদে, খঙননবসু হোৎনরুদে। কামখ্যা ইমা লাইরেম্বী ওইনা খঙখিবনি। শূমাঙ লীলাগী খোঙচত্তা ঈশৈ লীলাগী খোঙহৌ লাকখিবগী লময়ানবা ওইখিবা লীলা পার্টি কাঙবু অমনা থাদোই চেপ্টর ৱান-টুনচিংবা লীলাশিংদু হৌদোকপদা "কামখ্যা ইমাগী মশাইগোন্দা" হায়না শক্লম্মী। মতমদুদা কামখ্যা লাইরেম্বী কৌগদ্রা নৎত্রগা হিয়াংথাং লাইরেম্মা হায়গদ্রা, মসিগী মরমদা করিসু খঞ্জিল্লুদে। লাইরেম্বী অসিবু খুরুমজবগী মরমদা অহল লমনশিংনা তাকপিবা অমদি খঙজহৌই। মদুদি নুপী ওইবীশিংগী থাগী খোঙকাপ লাকপদা অকায়বা থোক্তনবা অমদি ঈ-নুংশিৎ শেংদোক্লবনি। হিয়াংথাং লাইরেম্বীগী মরী মখোঙ থিজিল্লুদবনা ইতাউ তাউনা অদুম্মক খুরমখিবনি। ইমাখোয়না তাকপিবা মতুংইন্না ঈ-নুংশিৎ শেংদোক্লবা নিজখি।

ওল্লকপা মতমগী খোঙলৈনি, পুৱারীগী খোঙ্গুল লীবা হৌনরকই। মমি শাল্লুরবা চৎনরোল, লাইনীং-লাইশোন অমুক নৌহৌনা হিংগৎনবা হোৎনবা মীওই কয়া থোরকখি, ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। হোৎনজমন লেম্না মাঙদে, থেঙলবসু থেঙনা ঐখোয় কনানো করি ওইরম্মী হায়বদু খঙনরক্লে। নৌনা চঙলকখিবা শক্তমগী মমিনা খঞ্জিল্লুরবা লাইচৎশিংগী মনুংদা হিংয়াংথাং লাইরেম্মসু অমনি। কামখ্যা লাইরেম্বী নত্তে হায়বসি পুৱারীগী লাতমদসু ময়েক লানা ইদুনা থল্লি। চৈথারোল কুম্বদা ইরিবগী মতুং ইন্নদি হিয়াংথাং লাইরেম্বীদি লানগী মবেন্মনি। মৈদিংঙু চৌরজিৎকী মতমদা কুমজা ১৮০৪ দা মমাঙদা নিংথৌ ওইরম্বা ময়াম্বুং মধুচন্দ্রনা ময়াংলমদগী লান্মী খোল্লগা লান হৌরকপা মতমদা মনাউ ইবুংঙো মার্জিৎকা লোয়ননা লান্থেংননবা শ্রী গোবিন্দদগী খোঙশানখিবা অমদি মৈদিংঙু চৌরজিৎনা হিয়াংথাং লাইরেম্মদা অহিং লেক্তুনা ঈরাৎ থৌনি তৌরম্মী হায়না ময়েক শেংনা ইরি। শামুপন্দা শোক্লি-খবা লান অদুদা মৈদিংঙু মধুচন্দ্র অরোইবা য়াহিপ তানখি। অতোপ্পা মরী লৈনবা থৌদোক অমগী মরমদসু ইরি। কুমজা ১৮০৭ তা মৈদিংঙু চৌরজিৎনা মহাক্কী মথক্তা লান হৌরকখিবা মনাউ ইবুংঙো মার্জিৎকী লান্মীগা অহিং নুংথিল নাইদনা নুমিৎ মঙানি লান শোক্লখি। হায়রিবা লানফম অসিদা মায়থীবদগী মনাউ ইবুংঙো মার্জিৎ অৱাদা চেনখি। মতাং অসিদসু লান মায় পাকখিবসি হিয়াংথাং লাইরেম্মগী থৌজান্দগীনি হায়বগা মরী লৈনবা মতাং অমা, "হিয়াংথাং লাইরেম্মগী মমাঙদসু চেঙ তারক্লে হায়দনা কৎলৈয়ে। তন্না হায়এ।" মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু চৌরজিৎকী হাক্তক্তা হিয়াংথাং লাইরেম্মা অসি য়াম্না মতিক মঙান লৈবী লানগী লাইরেম্বী ওইনা লাৎনরম্বদগী ময়েক লারবা খুদম্নি। মদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা পানবা মতমদা লাইরেম্মসিবু কামখ্যা লাইরেম্বী হায়না খঙনদুনা লাইচৎ হোংখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্রনা ইবা "সনামহি লাইকনদা ইনাৎকী শক্তমগা লোয়নবা হরাও কুম্মৈশিং" হায়বা লাইরিক অসিনা পীরি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী শাফোংলকখিবগী মতাংদা অইবা অসিনা থম্বীবা ৱারী লীখুন অমা থমজরি।

হিয়াংথাং লাইরেম্মা অসি হৈবোক নিংথৌগী মচানুপী হীরৈমনা শায়োনখিবীনি। মশক মতৌ নীংথিজরবী লৈশাবী অসিনা নোংমা চেঙহী শম্বাল লাংদুনা ঈরুজরিঙৈদা খুমন নিংথৌ কোকপনা মাবু উখিরম্মী। মাবু হেক উবমক্তদা খুমন নিংথৌ কোকপগী থম্মোই শুমহৎখিবগা লোয়ননা মাগী তালোয় ওইরগে হায়না মবূক্লিংদা চপ য়ুংনা লেপ্পলম্মী। হৈবোক নিংথৌগী মচানুপীনি হায়না খঙবগা লোয়ননা ময়ুমদা হনখিরম্মী। অমুক থীন্থবা তৌদনা মথংগী নুমিত্তা মনাই মশল ময়ামগা লোয়ননা কবোক ফিরুক্লচিংবা হৈজিং খরায় পুরক্তুনা হি তোংলগা হৈবোক নিংথৌগী য়ুমদা লাক্লম্মী। পুরক্লিবা অথেনপোৎশিং অদু হিদগী থাংথদুনা হৈবোক নিংথৌগী শূমাঙদা পৈদুনা থল্লম্মী। মদুনা অঙকপা ফাওহল্লবা হৈবোক নিংথৌনা খুমন কোকপা নিংথৌদা মরমদু হংলম্মী। মদুদা খুমন নিংথৌনা অসুম্না খুল্লম্মী, "নমোম ইবেম্ম হীরৈমগীদমক হৈজিং খরায় পুজরকপনি।" মদু তাবদা হৈবোক নিংথৌ শাউবনা মৈ হৌরম্মী। হান্না হায়নবসু নত্তনা য়াম্না উশিত্তবগী মওংদা তৌথোরকপা মতৌ অদু উবদা হৈবোক নিংথৌনা অসুম্না শাপ চাইরম্মী, 'হাই খুমন নিংথৌ কোকপা লমচৎ নাইদবা! ঐগী ইচানুপীবু হায়নবসু তৌদনা নশানা হৈজিং খরায় পুরকপদি ঐবু উশিত্তদুনা ইকাইবা পীবনি। মরম অদুনা নঙ অমদি নঙগা লোয়নরকপা ননাই নশন, ফিরুক, শগোল, হিনচিংবা পুম্নমক য়াওনা নূং ওনখ্রো।" অসুম্না খুমন নিংথৌ কোকপনচিংবা পুম্নমক অদু নূং ওনখ্রে। ফীভম অদু উবদা হৈবোক নিংথৌ মমোল্লোই হীরৈমদু অকি তুজুংবনা মশাদু থূক্তৎলম্মী। মশম মনা ইফা ফানা অকি অখংগা লোয়ননা চেনখিরম্মী। মথং মথং চেল্লকপনা লৈমচীং (হিয়াংথাং) চীংদা চেনখৎলগা লোত্তুনা লৈরম্মী। ময়াম চঙদুনা চীংথক্তা কাখত্তুনা থিরুবদা লাই ওল্লগা নূংগী শক্তম ওইনা তাদুনা লৈবা থেংনরম্মী। মদুদগী শরাংথেম্বা পুৱাংবা কৌবা নুপা অমনা লৌখৎলগা লাইশঙ শাদুনা লাৎপগী থৌদাং অদু লৌখি। মতম অদুদগী হীরৈমনা ওনখিবা নূং অসিবু পান্থোইবীগী শাইওন্নি খন্না লাৎপা হৌখি। মতুং তারকপদা হিয়াংথাং লাইরেম্মা/লাইরেম্বী হায়না খঙনবা হৌরকখি।

লইথক লইখারোল হায়না মিংথোনবা পুয়াদা য়াওরিবা লাইচৎলোন অমগী তাঙ্কক্তা মরু ওইবা লাইরেম্মা তরেৎকী মনুংদা হীরৈমা কৌবী লাইরেম্মগী মিংসু য়াওরি। য়াওরল্লিবা মতাং অমা, "হীপোকপী, য়াইপোকপী, হীরৈমা, য়াইরৈমা, হীকুপী, য়াইকুবী, য়াইস্না তরেৎমা অসিসু পোকয়ে।" মসিদা পল্লিবা হীরৈমা অসি হৈবোক নিংথৌ মমোম হীরৈমরা হায়বদুদি হংনীংঙাই ওইরি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম ওইনা থমখ্রগা লমদম অসিগী লাইচৎলোন্দা হিয়াংথাং লাইরেম্বীসু মফম চাওনা কন্দুনা লৈরক্লি হায়বসিমদি য়েৎননীংঙাই লৈত্রে। অওনবা মতমগী শাফুনা মরম ওইদুনা লাইচৎলোন্দা অহোংবা খরা লৈরল্লবসু ঙসিদি লাইরেম্মা অসিগী ৱারী শীংবুন কয়া চিংথোনরক্তুনা অশেংবা মশক অদু খঙনরক্লে। ●

# লমচা, নুপী-নুপা # ৩

- থোংঙম নব নুপা -

থৌরাং শোল্লবীনা থৌরাংলকপদা ইমোইনুনা থৱায় ৱারদুনা কপ্পুনা লৈথোকপদো (লাংশোনবী লময়াই মোনুনা ৱারে পোখাবা) ইশাবী ইনেম মচা চেকশিনসি (ইশাবী লাও চৎসি) কল্ল কল্লবা শা, ঐখোয়বু মাঙহনবা ঙম্বা য়াম্না লৈ (কলক কঞ্জাওবা য়ামই)। নঙ, ঐ মীওইবসি মাঙদনবা খোঙথাং ওইরক্লো পাম্মুবী (ইমাংদা থারো লাও)। ইমা, ইপা মখোয়গা লৈমিন্নবদি ওইদ্রে মাঙলে কাইনরে (মমাঙ লৈকায়) অদুবু মখোয়না তন্বীরম্বা চাথি, ঙাথি, লৈফম অদু শরুক য়ারদুনা খুন্নাই ওইরসে (থমপাল শাৎলে) ইমা ইপানা তন্বীরম্বা চাথি ঙাথি তৌরদুনা হিংনবা শেম শারসি (ইখোইমুনা ইল্ল খোইরাবা)। ইমা, ইপা মখোয়না থৌরাংবা মতৌ তমদুনা (ইপাম লমতম) মখোয়গী মখা পোনবা থৌরাংদা হৌরেদো, (মৈহৌরে)। নং-ঐ মাংদনবা ঙাক শেন্দুনা মখোয়না হৌদোকপীরম্বা (খামপী) মখা পোন্না (মৈ) ৱাখল লৌশিং তৌদুনা (ক) + থৌরাংলো (লাংও) = কল্লো। ইশাবী থৌরাং তৌরকও, হিংনবা থৌরাং তৌরো (লাও চৎসি) কল্লবা শা, চাউরবা শা ঐখোয়বু মাংহনবা ঙম্বা য়াম্না লৈ (কল্লকপা কঞ্জাওবা য়ামই) নং, ঐ, ঈ অসি মাঙদনবা খোঙথাং থৌরাংলো, ইপাং অমা ওইবী (ইমাংদা থারো লাও পাম্মুবী)। মতৌ অসুম্না নুপানা, নুপীদা 'ঈশাবী ইনেম মচা পাম্মুবী, মীংকৌবু কৌজরদুনা মখোয় অনী হিংনবা থেন্বীবদা নুপী মৈতৈ নিংঙোন, ইমোইনুগী মপূক্লিং ওল্লক্লে, অপেনবা ওইরক্লে, পাউখুন্নক্লে।

হো: তম্বা নুপা মীতৈ ইপাখংবও, ইমোইনু ঐগী (ই) + মান্নবা (মান) + শাওং শাদা চান্নবা (চা) হায়বগী ই + মান + চা = ইমানচা, কৌজরে। মীওইবা (ই) + নং, ঐগী খোঙথাংদা (থাং) + নহাক্লা অথোইবা (লেন) ওইরে হায়বগী ই + থাং + লেন = ইথংলেন কৌজরে। নহাক্তি (ই) + থাক ৱাংবা (ৱাং) + ইপা (পা) + অমা (ম) + ওইবনে (ওই) হায়বগী ই + ৱাং + পা + মা + ওই = ইৱাং পামোইবা (ইৱাং পামুবা) অসুম্না ইথংলেন, ইমানচা, ইৱাং পামুবা কৌজখ্রে।

মীয়ামগী মফমদা পাউদমজরি নুপী-নুপা মখোয় অনীদো মপা-মমা ৱাইনুনা হুন্দোক্লম্বা মফমদো নুপী-নুপা মখোয়না মীওইবা খুন্নাই ওইনবা থৌরাং (লাং) + অমা (মা) + থোইদোক হেন্দোক্লা (লেন) + খুন্নাই (শা) + হিংনবা থৌরাং (কোল) + শরুক য়াজখি (পাল) হায়বগী লাং + ম + লেন + শা + কোল + পাল = লমলেন শাকোলপন হায়না খঙনখি। অসিদগী নখোয় নুপী-নুপা অনীনা থৌরাং (লাং) + অমা (মা) + অহানবা (হান) + মখোয়না লৈবা মফমবু (পুং )মি হায়বগী ল + হান + পুং = লমহানপুং (ললাংপুং) ওইখ্রে। লমহান পুং কৌবা মফমসিদা মখোয় অনী চহী খরা লৈখি। ইমোইনুগী চহী ১৬, ইপাখংবগী চহী ১৩ শুরকপা মতমসিদা মখোয় মীওইবা শমথনবা চাদা নাওদাগী থৌরাং থৌদাং খঙলক উরকপা (উ) + লিচৎ (লি) + ওইরক্লে/ পোক্লক্লে (পোক) হায়বগী উ + লি + পোক = উরিপোক কৌরবা মফমদা ইৱাই ইতিন্নবা মহৌখ্রে। উরিপোক্তা ইৱাই ইতিন্নখ্রবনা ইমোইনুনা ইপাখংবগী থৱায় ইলিক অমবু পীবুকনুংদা থাবুম তরা নাওপুরিববু, ইপাখংবনা ইমোইনুবু মীওইবগী (নু) + থৌরাং (লাং) + ওইদুনা থৱাই ইল্লিক (ই) + পু পীবুকনুংদা ৱোম্মী (পৈ) + ইমোইনু মহাক্লা (মা) হায়বগী নু + লাং + ঈ + পৈ + মা = নুলা ইপৈমা (নুরা ইবেম্মা) কৌজখ্রে। ইমোইনু মহাক্লা (ম) + থৌরাং (লা) + খংবা উবা (উ) + মহাক্লা (ম) + হৌবীরে (পী) হায়বগী মা + লা + উ + ম + পী = মলুমপী, মহায়রে। মতমসিদা ইমোইনুনা ইপাখংবদা মীওইবা (ই) + খুন্নাই (শা) + নঙনা (ন) + হৌদোকই (হৌ) হায়বগী ই + শা + নঙ + হৌ = ইশানৌ কৌজরে। মীৱোইবা (ঈ) + গী মফম ওইফম (পুং) + সু ঙাক-শেনবা (ঙাক) + ওইরিবনে (ওই) হায়বগী ই + পুং + ঙাক + ওই = ইপুংঙওই (ইপুংঙো) কৌখ্রে। ইপাখংবনা মাগী (মা) + থৌরাং (লাং) + খঙনা উনা (উ) + মহাক্লা (ম) + থৱায় ইলিক পাংই (ইপাং) হায়বগী মা + লাং + উ + ম + ইপং = মলউমইপাং (মলুমপা) কৌজখ্রে।

অসুম্না ইমোইনুগী চহী ১৭, থপাল কালেন, থানি, ইকোইলৌ ইরাই নুমিৎ, কালেন চৈচৎ ৭ (খৃ: কুম বি সী ৩৯৯৯৮৪০৩গী মে ৬) অসিদা নুপী-নুপা অনীগী ইপুনচীংই (ইপুন্সি) অমা থাবুম তরা নাওপুরগা মীওইবা অমা পোকলে। পোক্লিবদো মীওইবা (ই) + গা মান্নৈ চান্নৈ (চা) হায়বগী ই + চা = ইচা, ইপাখংবা নুপা মাগা মান্নৈ হায়বগী 'নুপা' অসুম্না 'ইচানুপা' হায়রিদো। মচানুপাদো ইমোইনু, ইপাখংবা মখোয় অনীনা য়াম্না ৱানা পন্থুংফম (খম) + মপুং ফানা (চীং) + হিংনবা থৌরাং (কোল) তৌরগা মচানুপাবু পোকই। হায়বগী খম + চীং + কোল = খমচীং কোন অসুম্না মীংকৌবিখ্রে। ইমোইনু, ইপাখংবনা মচানুপা পোক্তুনা মীওইবা খুন্নাই (খু) + থৌরাংবা (লাং) + মীওইবা (ই) ওইরে হায়বগী খু + লা + ই = খুলাই (খুরাই) হায়রে। ইমোইনু, ইপাখংবা পোকপবুনা অহানবা (হা) + লুচিংলকপা (কু) + মখোয়নি (ম) হায়বগী হা + কু + ম = হাকুম, চহী কৌখ্রে। খমচীংকোল পোকপবুনা লুচিংবীরকপা (কু) + মহাক্লা (ম) + মপূং ফারে (চীং) হায়বগী কুমচীং = কুমসি হায়না খঙনরে। চান্নবা (চা) + হৌরবা (হৌ) + মীওইবা ইমোইনু, ইপাখংবা ঐখোয় অনীগী ইপুনচীংই (ইপুন্সি) ইচানুপানি (ই) হায়বগী চা + হৌ + ই = চহী অসুম্না কুমসি চহী হায়না খঙনরে।

ইমোইনু, ইপাখংবগী মচানুপা অহানবা পোক্তুনা মালেম লৈমা অসিদা মীওইবা খুন্নাই শন্দোক্লবগী মরম ওইরক্লবা মতমসিদা অমুক্তা ইমোইনুগী চহী ১৯, থাপাল থাগী ইঙা ১২, ইকোইলৌ থাংজ নুমিৎ চৈচৎ থাগী ইঙা চৈচৎ ১০, খৃ: কুম বি সী ৩৯৯৯৮৪০১গী জুন ৯ নুমিৎ অসিদা মচা অমসু পোক্লে। মচাদো নুপী মাগা (মা) + মান্নৈ চান্নৈ (চা) হায়বগী 'নুপীমচা' মীংকৌবীরে। নুপীমচা অদু ইমোইনু, ইপাখংবগী খুৎপু (পু) + লোইনরকপা (লোই) + য়াৱোন (লৈ) + ওইবগী মহাক (মা) + মীওইবগী চান্নবা (চা) + নু ওইরে হায়বগী পু + লোই + লৈ + মা + চা + নু = পুলোই লৈমা চনু কৌবীরে। মচানুপী পোকপা মফমবু মপুনা তাইবঙপাল শেন্নকপগী নৱো (নোং) + মখা পোন্না (মৈ) + ইচানুপী পোক্তুনা মীওইবা মথং মথং লমথনবা মফম (পুং) ওইরে হায়বগী নোং + মৈ + পুং = নোংমৈপুং কৌখ্রে। মতম অসিবু মপুগী নৱোং (নোং) + মখা পোন্না (মৈ) + মীৱোইবা খুন্নাইগী চান্নবা (চা) + হৌরবা (হৌ) + ইচানুপী (ই) ওইরে হায়বগী নোং + মৈ + চা + হৌ + ঈ = নোংমৈ চহী খঙনখি। অসিদগী অমুক ইমোইনুগী চহী ২২, থাপাল ইঙেন ১২, ইকোইলৌ নিংথৌকাবা নুমিৎ চৈচৎ থাগী ইঙেন ৬, খৃ: কুম বি সী ৩৯৯৯৮৩৯৮গী জুলাই ৫দা মচানুপা অমা পোকই। মহাকপু মীওইবা খুৎপুগী (পু) + য়াৱোন্না (লৈ) + লৌখৎলকপা (লোক) + মহাক্লা (ম) + মতেং পাংলকপনি (পাং) হায়বগী পু + লৈ + লোক + ম + পাং = পুলৈলোকমপা (পুলৈলোমপা) কৌবীরে। মফমবুনা মীওইবা খুন্নাই হিংনবা থৌরাংদা (কোল) + ঙাক শেনবা (ঙাক) + মতেং পাংলে (পাং) হায়বগী কোল + ঙাক + পাং = কোঙপা (কোংবা) হায়না খঙনখ্রে। ইমোইনু চহী ২৪, থাপাল কালেন ১৪ ইকোইলৌ লৈপাকপোকপা নুমিৎ চৈচৎ থা শজিবু ১৮, খৃ: কুম বি সী ৩৯৯৯৮৩৯৬কী এপ্রিল ১৭তা মচানুপী অমা পোকলে। মহাকপু ইমোইনু, ইপাখংবা মখোয়না মচাশিংবু য়োক থাক্তুনা শিদনবা/মাঙদনবা (খা) + ৱাখল লৌশিং (ক) + তৌবা ওইবা (মতেং পাংবা পোং) + অনীংবা (নিং) + থবক থৌরম (থৌ) তৌরিঙৈদা চান্নবা (চা) + নু পোক্লকই হায়বগী খা + ক + পাং + নিং + থৌ, চা + নু = খাকপা নিংথৌ চনু মীংকৌখ্রে। মচানুপী অনীশুবীনি। মহাক পোকপা মফমবুনা ইমোইনু, ইপাখংবা মখোয়না মচাশিংবু হিংনবা থৌরাং (কোল) + ঙাক শেন্দুনা (ঙাক) + ইপাং (পাং) ওইরিঙৈ মপু মখা পোন্না (মৈ) + লৌখৎলকপা (লোক) + অমা (ম) + হৌবীরবনে (পী) হায়বগী কোল + ঙাক + পাং (কোংবা) মৈ + লোক + ম + পী = মৈলোকমপী (মৈলোমপী) বু কৌখ্রে। অসুম্না কোংবা মৈলোম্বী হায়না খঙনখ্রে। ●

## থাগৎপা/ থাগৎপা ফোঙদোকচরি
## পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু

ঐহাক পাইলসনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থরকপা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবা, শৌজ দা পোম্বা, হাকৎচবা, কক কক থিনবা, খ্বাং নাবা, চাবা থকপা তুমদবা, তূম্বা য়াদবা অসিনচিংবনি। অদুবু ওজা অসিগী হীদাক চাবদগী নুমিৎ ১৫নিদা মপূং ফানা কান্নবা ফংজখি। ওজাবু পেপরগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা ফংহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-5.30pm)
2. 7th MR Gate Khabeisoi, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4.30pm)

HL-P/4305/15 *থাগৎচরিবা :* **M. Nganba,** Kakching Lamdong

## নোটিস/ জেনরেল বোদি মীটিং

Pallel Bazar Board Action Committee গী মেম্বর পুম্নমক্কী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি লাক্লিবা নবেম্বরগী তাং ১ (অমা) ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ (অমা) তাবা মতমদা বোর্দ অসিগী ওফিসতা জেনরেল বোদি মীফম অমা পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা মেম্বর খুদিংমক্লা মতম চানা লাকপীদুনা শরুক য়াবীরনবা খহঞ্জরি।

খন্নগদবা হীরমশিং :-

১. বজারগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংশিং।
২. অনৌবা থৌ পুগদবশিং খনবা।
৩. অতৈ-অতৈ।

HL-P/4083/15 **Sd/- T. Rojitkumar Singh**
Secretary, Pallel Bazar Board Action Committee

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্পা মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।


৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।